ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ১৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৫৯শুবা মশীং

# নুপী লালনা তন্বীরিবা পাড়া

## ঙসিগী মীরোলনা তমদুনা হৈগদবনি

চহী খরগী মমাঙদগী পাঙথোরকখিবগুম হন্দক চহীগীসু দিসেম্বর ১২, ২০২১দা 'নুপী লাল নুমিৎ' কী থৌরম পাঙথোকখ্রে। নুমিৎসিগী থৌরমসি ইচম-চম্না মমিংতগী ওইনা পাঙথোকখিবা নত্তে। ইম্ফালগী জেনরল পোষ্ট ওফিসকী মনাক্তা লৈরিবা নুপী লাল নীংশিং খুভমদা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শিন্দুনা পাঙথোকখিবগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লন্নাই লূপ কয়ানসু নুমিৎসিগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখি। মণিপুরগী মপান্দসু মীতৈ/মৈতৈগী লূপ কয়ানসু শিন্দুনা পাঙথোকখি। নুমিৎসি ষ্টেট লৈঙাকখক নত্তনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মরু ওইবা পুৱারীগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি হায়দুনা ফাওবা লৌই। মরম অসিনা লানসিদা শরুক য়াখিবী থৌনা ফবী নুপীশিংবু ফ্রীদম ফাইটরনি হায়না শকখঙবী। মখোয়বু নুংশিবীদুনা পোষ্টেজ ষ্টাম্প ফাওবা পুথোকপীরি। অদুবু থবকশিংসিনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা নুমিৎসিগী মরু ওইবশিং খঙদুনা থৌওইনা শেল অমসুং মতম চঙনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। পাঙথোকসনু, চহী খুদিংগী হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপা ওইসনু। অদুগা মমাঙগী চহীশিংগা মান্নদবা মওংদা হন্দক চহীগীদি লৈবাকসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ মপূং ফারকপগী চহী অমা চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা 'অজাদি কা অমৃট মহোটসব' কী শরুক অমা ওইনসু মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা নুপী ঙাক্তগী ওইবা লীলা পার্টিশিংগী নুপী লালদা য়ূম্ফম ওইবা শুমাং লীলা চাংদম্নবগী থৌরম অমসু মাঙজৌননা পাঙথোকখি। চাংদম্নবসিদা শরুক য়াখিবা লীলা পার্টি ৮ অমসুং মখোয়গী মরক্তগী মকোক মথং তাবশিং নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপা নুমিৎতা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

তশেংনমক নুমিৎসিগী থৌরম য়াম্না লূম্না লৌবগা লোয়ননা পাক চাউনা পাঙথোকখি। পাঙথোকফম থোকই। মরমদি কুমজা ১৯০৪ অমসুং ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা থোকখ্রিবা নুপী লালশিং অদু মতমদুগী তৌগেদা ঙস্বা, লৈঙাক ৱায়েল শুপ্পাই পায়শিনবা লৈবাক নিংথৌ অমসুং মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্কী মপু ওইরকপদগী নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নখিবা বৃটিশ লৈঙাক্কী মথক্তা হৌখিবনি। অঙম্বনি, ঙম্মী, লৈঙাক খুর্জি পায়রিবনি হায়বা অঙম্বশিংনা চত্থরকপা থৌওং, চৎলকপা লিচৎ, শেল্লকপা কাঙলোনশিংদু মীওইবা খুন্নাই মরু ওইনা মতমদুগী মণিপুরগী মীয়াম্না ঙাক্তুনা চৎপদা পুবা-থাংবা ঙমদবদগী কাইহৌরুরগা, মায়োক্তা লেপ্লুরগা অকনবা চৈরাক ফংনি খঙনা খঙনা কোক্তা কোকশেৎ য়েৎলগা খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা থৱায় থাবা পাম্মুদনা হৌনরুদনা থোক্নরকখিবা থৌনা ফবী নুপীশিংনা হৌরকখিবা লাননি। অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিলদা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক মায়থীরগনি খঙলবা ফাওবদা লানফমদগী মায় লৈদুনা চেন্দনা পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ ফাওবা য়েক্লবগা লম্বা পাবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবশিংদুগী ঈ চেনবা চাদা-নাওদানি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎখিবনি। থৌনা ফবি নুপীশিংদুনা মতিং ফুদোক্তুনা নোংমৈ পায়বা লান্মীশিংগা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা মায়োক্লখিবনি। লৈবাক নিংথৌ ওইরবসু, অঙম্বা ৱায়েল চুপ্লি পায়বা বৃটিশশিং ওইরবসু মখোয়না তৌনীং-তৌনীংবদা তৌবা য়ারোই। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদুগী মায়োক্তা নুপী মীয়াম লৈরি হায়দুনা চোঙথোরক্তুনা মায়োক্লখিবনি। মসিনি থেঙ্খাং অনীরক্তা মণিপুরগী লৈমায়দা থোকখিবা নুপী লালগী থৌদোকশিং। থৌদোক অনীসিমক্কা মান্নবা অতোপ্পা থৌদোক অমত্তা হৌজিক ফাওবদা মালেমগী মফম অমত্তদা থোকখিদ্রিবনি। মরমশিং অসিনা লৈবাক লৈঙাক্লিবশিংগী মায়কৈদগী তৌনীং-তৌনীংবা তৌবা য়াদে, মীয়াম্বু ওৎ-নৈবা, ৱাহনবগী থৌওংশিং চত্থরকপা য়াদে। চত্থরুরগদি নুপী ওইরবসু চোঙথোরক্তুনা অদুগুম্বা থৌশিলশিংদুগী মায়োক্তা লেপ্লকই, শিবা কিদনা চঙশিল্লকই হায়বগী ফজখ্রবা অমসুং মমল নাইদ্রবা পাড়াসি নুমিৎসিগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ঙসিগী মীরোলনা মুন্না মশক খঙদুনা তমহৌগদবনি। পাড়াসি মমুৎ তানা হৈহৌগদবনি। মসিমক ঙসি-ঙসিমক্কী মীরোলদসু মথৌ তারি হায়নীংই। অদুনা নুমিৎসিগী থৌরমদা নোঙ্গাখ্রবী থৌনা ফবি নুপীশিংদুগী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা, মখোয় লৈখিদববু অৱাবা ফোঙদোকপা, মখোয়গী মথৌনা মরিংজেলশিংবু শৈথাবা খক্তুনা নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপগী চপ-চাবা, অশেংবা ৱাহন্থোক ওইরোই হায়নীংই। লানশিংদু করিদগী থোকখিবনো হায়বদু খঙগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) ***"শীঙেন নাচোম"*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) ***"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"কেকু লোৎপী"*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোভিদ পাথরকপসিদা তৌহন্নীংবা-তৌহন্নীংদবা খরা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**

কোভিদ লাইচৎ লাকপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহী অনীরোম চূপ্না মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা চৎপা য়াদবনা মরম ওইরগা মখোয়দা হীরম কয়ামরুম অৱাবা হায়বদু নংহনখি। অদুবু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি ক্লাস নাইনদগী হৌরগা ত্বেলভ ফাওবগী মনুংদা তম্বা মহৈরোয়শিং অমদি কোলেজ কাবা খরা হৌনরকপদগী খজিক খজিক্তি শাফরক্লে হায়বা য়াই। মসিমক্লা মপূং ফানা লাইরিক তম্বা হৌরে হায়বদি য়াদ্রি। অঙাংশিং মশীং শুনা স্কুল কাহন্দ্রি। নুমিৎ কান্না কান্নরগা মশীং হন্থনা ওফলাইনদা মশা মশামক শরুক য়াহল্লগা ওজাগা উনদুনা তাকপী তম্বীরি। স্কুল অয়াম্বদদি টেষ্ট মশীং য়াম্না তৌহনবসু উখ্রে। মসিনা অঙাংশিংদা ওজাশিংগা উনদুনা লাইরিক তম্বীবা ফংহনবগী নুংঙাইজবা অমসুং মাগী মাগী ক্লাস মেটশিংগা উনদুনা ৱারী শানবা ফংজবা, রিক্রিএসনগী মতমদা পূন্না লোয়নজবগী নুংঙাইজবা অদুসু ফংহনবা ঙল্লে। মতাং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতবা অমনা ক্লাস নাইনদগী হৌরগা ক্লাস মচা-মচাশিংদা তল্লিবা য়ামখ্রবা অঙাংশিংনা হৌজিকসু লাইরিক তম্বা চৎপা ফংজদবা অসিনি। মখোয়গী ওইনদি ওনলাইনদা স্মার্ট ফোন অমমম পায়দুনা ওজাশিংগা ইন্টরেক্সন তৌবা হৈনরে। হান্নগী মওং অদুদি নৎত্রে। মমিৎ মনাসু য়াম্না শিংনরে। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা নোংম-নোংমগী চাওখৎলকপগী মখোয়দসু মমি তাবা হৌরে হায়বা য়াই। মখোয়সু মতম কুইনা ফাজিন-পূনশিন্দুনা থম্বীবদগী স্কুল কানীংবগী অপাম্বদি লৈরবনি। অদুবু ফীভম্না, মতমনা, তাঞ্জানা মদুমক্তি য়াবা নৎত্রি।

হৌজিক মণিপুরদা কোভিদকী ফীভম করি তৌরে। মীয়াম্না হেন্না খঙবীরবনি। পুরা পুংমুৎ মুৎখিবা হায়বদুদি ওইদ্রি। মীয়াম পূনবা হৌনরবসু এস ও পি ঙাক্লা চৎনবগী মমিদি তারি। করিগুম্বা মতমদদি ফেস মাস্ক উপ্পসি কাউথোক্লখিবগুম্না খন্নবসু উবদি ফংই। মসিমক্তি তৌনরোইদবা থবকনি। মীয়াম পূন্না ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়জরি। অঙাংশিংনা স্কুল কাবা হৌনরিবা অসিসু টি জি স্কুলদা ক্লাস এলেভেন তল্লিবা ইচানুপী লৌথোক-লৌশিনগী চৎপদা স্কুল মনুংদবুদি ওজাশিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংনা চেকশিন্না এস ও পি নিংথিনা ঙাক্তুনা লাইরিক তম্বীবগী মওংদি উবা ফংই হায়ববু মপান্দদি উজার মেলানি। স্কুলগী গেটতা মচা মশু লৌথোক লৌশিন লাকপতনা কৃক কৃক ইন্নদুনা পৌ নম্বগুম ঙায়নরিবদু উরুবদা অকিবগী মশকনি। মাস্ক উপ্তবা ঙাক্তা ওনশিন্নদুনা ৱারী শানদুনা নোক খেরিবদু উরুবদা করিনো কোভিদকী ৱারীশিং কাউথোক্লরবজাৎলা খল্লকখি। মসিমক্তি ঐখোয় তৌনগুমসি। কোভিদ ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি কাউথোক্লগুমসি। ইকুই কুইদ্রিঙৈ টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ষ্টাফ অমা পোজিটিভ ওইরকপদগী নুমিৎ ৩/৪নি স্কুল থোঙ লোনখিবা অমদি অতোপ্পা স্কুল অমদসু অদুগুম্বা মখলগী রিপোর্ট অমা লৈখিবদু মীয়াম্না কাউথোকহন্নীংদে। হৌজিকমকসু কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ১৯৯০ লানশিনখ্রে। লিশীং অনী শুজি ল্লক্কদৌরে। অনৌবা কেসসু ২০গী ময়াদা নক্লনা অদুম্মক চৎলি। মসিগীসু মথক্তা অনৌবা লাইওং ওল্লক্তুনা য়ুরোপ কন্ত্রিশিংদা পাক্তক্লনা শিহনখিবা অদুসু কাউবা চুপ্লোই হায়জনীংই।

হৌজিক্কী ওইনা শাথীখ্রবা লাইচৎ অসিনা মীওই পূম্বগী পুন্সি মরেলদা অহোংবা অৱাবা কয়া হঞ্জিন হঞ্জিন পীখ্রবসু চুম্নগী পুন্সি মরেলদা তপ্পা তপ্পা হঞ্জিনবা হৌরক্লে হায়বদি হায়বা য়ারক্লে। অদুবু পুরা ওইনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লে হায়না লৌবদি য়াদ্রি। ফীভম শোক্ল-শোক্লবা মীওই কয়া য়াওরি। তোঙান তোঙানবা মশা মশাগী শিনফমদা পায়জবা ঈশৈ, কালা তৌবা কাঙবু কুম্মৈ ফিয়োংদা মশীন ওইজবা কাঙবুসু অথিং অরাক্তা খরা কোমথোকখ্রবসু খ্বাইদগী হেন্না শাফু পীরিবদি ভেন দ্রাইভরশিং, ওনরশিংনা ওইহৌরি। অঙাংশিং স্কুল কাবা হৌনখ্রবসু স্কুল ত্রান্সপোর্টরশিংদি মহৈরোয়শিং স্কুল থিন্দোক থিনজিন তৌহনবসু য়াদ্রি। মখোয়সি হৌজিক লাইবক থীবা হায়বদু ওইরিবনি। মতম অমদা ভেন অমদা অঙাং ১৮/২০ লোম তোংহন্দুনা ঙম্ন-ঙম্নবা থিন্দোক থিনজিন তৌনরম্বা অদু হৌজিক্তি শুকয়া য়াররোই। এস ও পি ঙাক্লা ভেন অমদা অঙাং ৬/৭ খক তোংহন্দুনা থিলহনবা মতমদা পেট্রোলগী মমলগা পানরুবদা অঙাং অমগী থিন্দোক থিনজিনগী অতোংমল লুপা লিশীং ৩/৪দগী তাদনা হায়রকপা মশানা তাবনি। কোভিদকী অৱাবা নংলিবা মমা মপাশিংনা মদু পীবা ঙম্বা হায়বসিসু ওইথোক্কনি হায়বা থাজদে। ফীভম অসিদা ভেন দ্রাইভর, ওনর কাঙবুদি মশাগী শিনফমদা হঞ্জিল্লকপগী মমি তাদ্রি হায়বা য়াই। হীরম শোমদসু লৈঙাক্লা মীৎয়েং খরদি চঙবীবা চুম্ব্রা খঞ্জে। ভেন থৌদুনা স্কুলদা অঙাং লৌথোক লৌশিন, থিন্দোক থিনজিন তৌরিবা মীওই অয়াম্বা ইনাক খুনবা ইমুং ঙাক্তা নত্তে। মীঙোন্দগী শেল পুরগা, লোন লৌরগা, মরুপ য়াওদুনা, অরৈ অরাক খরা য়োঞ্জরগা গাড়ী ৱানা লৈজদুনা মশানা মশাগী শিনফম পীজরিবা মীওইনা অয়াম্বা ওইনা তৌবা উজে। ফীভম অসিদা মখোয়গী মরাইবক করিনো নৈনরুবদা অৱাবগী মশকনি। নাকল অমরোমদনা অমুক মহৈরোয়শিংনা স্কুল, কোলেজ চৎপগী অতোংমল তঞ্চায় তঞ্চায় হেন্না লৌনীংবা মমলদা লৌরে হায়না মহৈরোয়শিংনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা অদুগী মতাংদসু লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবা ওর্দর থোরকপগী পাউ তাবা ফংদ্রি। ওটো দ্রাইভরশিংনসু কুমজা ২০০৮দা থোককখিবা ওর্দর ঙসিসু চৎনহন্দুনা লৈরগদি নোংমগী পুকচাক থদৎপীবগী মওংদা লাক্লগনি। মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্লরোই হায়নরিবা অদুসু লাল্লি হায়বদি য়ারোই। মরক অসিদা খ্বাইদগী লুরিবদি নোংমগী লুপা ১০০গী মথক্তা পায়দ্রগদি স্কুল, কোলেজ তম্বা চৎপা ঙম্লরোইদবা লায়রবা মহৈরোয়শিং অসিনি। মথক্তা পঞ্জখিবা হীরমশিং অসিদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা অথুবা মীৎয়েং চঙবীদবা তারগদি নোংম-নোংমগী ইস্যু কয়ানা থল্লবা মণিপুর অমা ওইরক্লবগী মরমশিং ওইরক্লগনি। হীরম শোমগী মতাংদা মরী লৈনবা লৈঙাকলোইশিংনা তূমিন লৈশিল্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়জনীংই।

হৌজিক মীয়াম্না হা হা কার লাউনা ৱানরবা মতম অসিদা শোমদনা মীখলগী অমুক মায়কৈ কয়াদগী লাংনরকপা অসিনি। ফিরাল লমজেল, পোষ্টর কেম্পেয়ন, ফেষ্টুন থেৎতোক থেৎচিনগী লানসু কনখৎলক্লি। লম্বী, সরক, থোঙ্গাল নাকলগী অহো অরাক পূম্নমক মচু মচুতনা ৱাই চাইনরে। মসিগী মথক্তসু অমুক ভোটখোম খোঙচৎ চৎপগী মফি নান্ন-নান্না ফ্লেগ পায়দুনা পরেং পরেং চৎপসু ওখাক উররে। মথৌ চিনখৎনরক্লবা মতম অসিদা মথৌ কোম্বা মীওইসু হায়ফেৎ লৈবজাৎনিকো খল্লকই। হৌজিক্কী মতম অসিদি থায়নগী মতমগা য়াম্না খেন্নরবনি হায়বসি কাউথোক্লবগুম তৌরব্রা খঞ্জে। হৌজিকপু করিগী পোষ্টরনো, ফিরালনো, হোর্দিংনো। মাস মীদিয়ানা অসুক লমজেল য়াঙখ্রবা মতম অসিদা খঙদবা, উদবা য়াওনদ্রবনি। সিম্বোল, মর্কা, কেন্দিদেটকী মমিং, করি করা খঙনদবসু অমত্তা য়াওনদবসিদা কান্নদবদা মচুগী ফিরালগী লমজেল তৌনদুনা লৈরব্রা খল্লি। মতম অমদা মীৎ-না নুংঙাইত্রবা অহলশিংনা খুবাক মর্কানি, থম্বালনি, ষণবী-ষণাওনি, সাইকলনি অদুনি-অদানি হায়না তাক্লবগী মতম অদু হৌজিক নৎত্রবনি। অঙাংদগী নহাদগী লোইনা খঙনরবনি মানা কনানো, করি তৌরম্মী, করি তৌরকপা য়াই খঙনদবসু অমত্তা য়াওনদ্রে। হৌজিক্কী মতমদবু ভোট খোম্বা কায়সিবু চৎনরিব্রা? মানা মানা অপাম্বা, থাদনীংবদি নহান্না লৈরম্লনি। মসিদা মতম মাঙদুনা মীগী য়ূমথোঙ য়ূমথোঙদা কোইচৎ চৎপা, মতুং ইন্নবশিংসু মঙাই ওন্থোক্লা মতম পাম্মুজখ্রে। মী অয়াম্বনা লোইনা হায়রিবসি খঙমিন্নবা অমা চঙলি। ভোট হায়রা থা ২ রোমদি অদুম্মক ৱাৎখিনি। ভোট নুমিৎতুদা কোক থোরক্লগা থাদনীংবা মীদুদা অদুম থাদবা য়ারবদুদা মতম, শেল মাঙহন্দুনা লাঙদুনা লৈথোকপা অসি কান্নবা নত্তে হায়জনীংই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৪৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মীরমগী লাইনীংদনা মনুংদা পুশিল্লগা অমদি থেনগৎলবা মতুংদা শেংদোক্লবা মনাদুনা লাইজ ঈশিং লূপ্লগা খিক্লগা/অমমম থাদরগা শেংদোক্লবনি হায়না খনবা অদুগুম্বা মচৎতু নত্তে। "ইনাৎকীনা মনুং চন্দ্রিঙৈদা মপান্দা শেংদোকপদা নত্তনা কৎলমদাইদা অমুকসু শেংদোকপা অদুগা মীরমগীদনা কৎলমদাইদা শেংদোকপা - অনীসি করম্বনা হেন্না থিজিন লৌশিং (সাইন্স) কী মীৎয়েংদসু ফবা হেনবগে" হায়বসিনি খন্ননীংঙাইসু ওইরিবদি। মতাং অসিদা পনবা য়াবা হায়নবা ৱাফম অমদি - য়েলহৌমীদি ওইরগা মীরম লাইনীং লিচৎ পামজবশিংসি 'হুইবু দোলাই তোংহল্লগা করিনোমা উরগা চোংথৈ" হায়নবদুগুম্বনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মীরমচাশিংগীদি মখোয়গী চৎন-লোনচৎনিনা কায়দে। মদুদা ঙক্লিবদি হন্থবা থাক্কী চৎন লোনচৎতা পাম্না চৎকনি হায়না চৎনীংলিবা য়েলহৌ মী ইরমচাশিংগী ৱাখল্লোনসিনি। হান্না খঙদবদগী চৎলুবসে হৌজিক্তি করম্বনা হেন্না সাইন্স (থিজিন লৌশিং) গী মীৎয়েংদগী য়েংবদা হেন্না ফবনো খঙলবনিনা মখা তাবা ৱাখল খন্নরক্লগনি হায়রগা শমজিনজরগে।

মৈদিংঙু পামহৈবা (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) না ফম্বাল তোংবা মতমদা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইখিবা খৃ: ১৭০৯, থৱানগী ২৩নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মশাগী চহী ১৯ চঙলকপদনি। হান্না কংলৈপাক কৌরম্বদগী মণিপুর কৌখিবসিনা খৃ: ১৭১৭, ফাইরেনগী ২৩নি পানবা ইরাই নুমিৎতা শান্তিদাস গোসাইনা মহাক্কী সেবক ভগবান দাস অমদি নরায়ন দাস অনীগা লোয়ননা শ্রী হট্ট নরসিংহ কিলাদগী থোরক্লবা মতুং খৃ: ১৭৩২গী থৱান থাগী ২৩নি পানবা য়ূমশকৈশা (কৃষ্ণ জন্ম) নুমিৎতা হাওবম পুখ্রনবনা লুচিংবা মীওই কাঙবু অমনা মৈতৈগী মৈহৌরোলবু নুমিৎ থাগী মচা-মশু (সুর্য্য বংশ-চন্দ্র বংশ) শাগৈগী নিংথৌমচা মশুশিংনি হায়না শেমদোক্লা ইহনবগা লোয়ননা মৈতৈগী নুপা-নুপী লৌন-লৈনবগী চৎনলোনচৎসু শেমদোক্তুনা মৈতৈগী অশেংবা ফজখ্রবা লৌন-লৈনবীগী চৎন-কাঙলোন্দা লম্মুক্লহননবা হৌরম্মী। ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইনা হায়বা খুদিংদা পামহৈবা নিংথৌনা য়াখিবদগী মথংদা কংলাদা লৈরিবা লৈখুন (শুরুং) অসি অচম্বা অমা নত্তে, মালেম লৈরোল ফাওবনা লৈবাক অসিগী মমিং মণিপুর কৌরসি হায়না শান্তিদাস গোসাইনা হায়বদা মৈদিংঙু পামহৈবনা য়াবদগী লৈবাক্কী মমিং মণিপুর কৌরম্মী।

অইবা ইশানা থমজনীংলিবা ৱাফমদি মতম মতমদুদা কন থৌখ্রবা মৈতৈগী মৈদিংঙু/নিংথৌশিংগী মতমদা ইরমদম কংলৈপাকসিদা য়ূমলোন্নবা নৎত্রগা মসিদগী খরা লাপ্পা মীরমশিংদগী মচিৎ মচিৎ ওইনা হিন্দু/ময়াং বামোনশিং চঙলকপদা অয়াবা পীদুনা খুন্দা লৈতানা লৈহনখিবসিগী ওইথোকপা য়াবা মরম খরদি - মতমদুদা ইরমদমসিগী মীশিং পংয়াম য়ামদবা, চাবা থকপা মরাং কায়বা, চঙজরকপা মীতোপশিংবু মীয়োক মীচান ফবসিনা অহানবা মরম ওইরম্বা য়াই। অনীশুবদা, মীরমগী লাই অমদি লাইনীং লাইশোনগী মরমদা থোইনা খঙলুদবগা লোয়ননা তুংদা হীরম খুদিংদা খোঙলৌরক্কনি হায়বসি খন্থরুদবা। অহুমশুবদা, মরমদমদা হিংবদা ৱাবদা নত্তনা মতমদুদদি অফঘানিষ্টান ফাওদুনা লাকপা মুসলমানশিংনা ভারতবর্ষসিদা চঙশিল্লক্লগা খূৎকন পাঙ্গন্না পাল্লবদা মখল মখাগী হিন্দুশিংদা ওৎ নৈবদুদগী অয়াম্বনা মতু মচা (ময়ূম পানবা ওইরগনা)/নহা ওইরগসু মথৱায় শিনীংদবদগী চীংনুং মানুং ফাওনা মশাগী শক্তাক ওইবা য়াবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মখোয় মশানা থাজনা লাৎচরিবা লাইনচিংবা লোয়নরগা য়াম্না ৱানা মীচেন ওইনা লাকপদা মীনুংশি চাউবা উৎতুনা লৈবদা অয়াবা পীবদা নত্তনা মখা তানা লৈহন্নবা, ইরমদমসি চীংমী তম্মী খায়দ্রিঙৈদা, চনু নিংঙোলশিং পীশিল্লগা য়ূম্নাক ফাওবা পীবিদুনা, মৈদিংঙু কিয়াম্বা (খৃ: ১৪৬৭-১৫০৮) গী মতমদগী ইরমদমসিদা মীতোপ চঙশিল্লকপা হৌরে হায়বসি খঙবা ঙল্লে। খুদম খরদং ওইনা - মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতুং তারকপা মৈদিংঙুশিংগী মতমদসু লেপ্পা লৈতনা ময়াং বামোনশিং চঙশিল্লকপগী মরীক চুম্বদি মৈতৈ বামোন হৌরকফম কৌবা পুয়া লাইরিকশিং মরী লৈনবশিংনা পাবিরগা খঙবা ঙম্বীগনি।

১) ফুলাইলাৎপম/ফুরাইলাকপম : উত্তর প্রদেশকী নন্দগ্রামদগী লাকপা সুভিনারায়ন চেটর্জিনা লাই বিষ্ণুঠাকুর লোয়নরকখি, কাশ্যাপ গোত্রনি। মৈদিংঙু কিয়াম্বনা পোং নিংথৌগা মরুপ ওইরুবদগী ফুলাইলাৎপম হায়বা য়ূম্নাক অসি থোনখি। মানা চীংমী নিংঙোল থোইনু লৌখি।

২) অধিকারীময়ূম :- রাঙাচরন কৌবা ব্রাহ্মন অমা অসাম (তেখাও) দগী লাকখি। ভরদ্বাজ গোত্রনি। মানা চীংমী নিংঙোল তিংকী লৌখি। মাগী ধারাবু অধিকারীময়ূম হায়না খঙনখি।

৩) ককচীংতাবম : ধনরাম তন্ত্রধার কৌবা অমা কলিনগ্রাম শ্রী হতগী তখেন হায়বা মফমসিদগী ত্রিপুরা ফাওরগা লাকপদা শ্রীরুদ্রদেব ঠাকুর লোয়নরকখি। ভরদ্বাজ গোত্র ওইরগা ককচীংদা খুন্থোক্লকপা মতমদা মফমদুদা খুন্দাবদগী ককচীংতাবম য়ূম্নাক অসি থোনখি। মানা ময়াং হৈকোঙ নিংঙোল কুমু লৌখি। মাগী ধারাবু ককচীংতাবম হায়না কৌখি।

৪) লৈহাওথাবম :- উত্তর প্রদেশকী কানপুরদগী লাকখিবা গনেশগিরি দামুদর মুখর্জিনা বিষ্ণু চক্রবু থৌগল তৌদুনা পুরকখি। মার্কন্ত গোত্রনি। নিংথৌদা লৈহাও কৎপদগী লৈহাওথাবম য়ূম্নাক অসি থোনখি। মানা ময়াং তৌবুল নিংঙোল হাওবী লৌখি, মাগী ধারাবু লৈহাওথাবম কৌখি/খঙনখি।

৫) শিজগুরুময়ূম :- গুজরাটতগী ভত্তপুর ঠাকুরনা রামচন্দ্রবু পুরকখি। মধুগল্য গোত্রনি। মৈতিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা শাগৈসিগী য়ূম্নাক মমিং থোল্লমদে। অদুবু মহাক্কী মচা মশুশিং অমনা পামহৈবা নিংথৌগী লৈমরেল ৱায়েনবম থম্বাল/গোমতিগী গুরু ওইরুবদগী শিজগুরুময়ূম য়ূম্নাক অসি থোনখি।

ত্রিপুরা (তখেল) দগী লাকপা পাত্রিগীরি গঙ্গারামনা সেক্তা নিংঙোল মাইমুবী লৌখি। শিজগুরুময়ূম হায়না খঙনখি।

৬) অসামগী ধনুরগাওদগী লাকপা হরি বিদ্যালঙ্কারনা শ্রীমদনমোহনলাই লোয়নরকখি। কৌশিক গোত্রনি। (মহাকসি ত্রিপুরা (তখেল) দগী লাকপনি হায়না লাইরিক অমদা ইরম্বসু থেংনৈ)। মানা তাংখম নিংঙোল মাইমুবী লৌবদগী মাগী ধারাবু তখেনচংবম কৌখি। অতোপ্পা মোত অমদা, মৈদিংঙু পামহৈবগী সনা হাক্তক খৃ: ১৭১৬কী শজিফু ৩নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা বামোন হঞ্জবা তখেলচংবা থুংলৈ, অসিদগী লৌদুনা তখেনচংবম য়ূম্নাক অসি থোনবা ওইগনি)।

মথক্তা পীরিবা খরসি খুদম খক্তগীনি। লৈবাকসিদা নোংচুপ লোমদগী অমদি নোংপোক লোমদগী লাক্লগা চংজদুনা লৈখিবা মীশিং অদুগী মপা-মপু লাকফম তাক্লা ইদুনা থম্বা পুয়াশিংবু নোংচুপ হারম পুয়া অমদি নোংপোক হারম পুয়া হায়না কৌই। লৈবাকসিদা লাক্লগা চংজফম লৌদুনা লৈরবা মীওইশিং লৈবাক অসিগী মীওই অমা ওইনা মতম কুইনা শক খঙখিদে, য়াম্না নেম্বা থাক্তা থল্লম্মী। অসুম্না লমলানবা ওইনা লৈরম্বা বামোনশিং কংলৈপাক্কী নাইচাশিং কাঙলূপ্তা চল্লকখি। মৈতিংঙু খাগেম্বা (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২) গী সনা হাক্তকতগী বামোনশিং লৈবাক অসিগী মীওই অমা ওইনা শক খঙবীবগুম তৌরক্লে। ●